# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 12-07-2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-মেদিকেল টিমশিং শেমদুনা লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবা কন্না হোৎনরি।

ইমফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙরাং তোঙান তোঙানবা স্কিমশিং হৌদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-হায়রিবা মেদিকেল টিমশিং অসিদা ডাক্তর অনিদগী মরি, নর্স অনিদগীনা মরি অমদি মল্টি টাক্সকিং ষ্টাফ অনি অহুম ফাওবা য়াওরি। টিমশিং অসিনা চয়োল অমদা অনিরক রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা য়েংশিল্লি। হৌজিক ফাওবদা টিম ৬৮ শেমদুনা রিলিফ কেম্প ২৩৮ দা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থোক্লিবা ৱাথোক অসিদা মরি লৈনবা মরুওইবা সমস্যাশিং অদু মশক খঙদোক্তুনা মনিপুরদা শান্তি হনজিল্লকবা হোৎনসি। সরকারগী মরুওইবা পান্দমদি, মীয়ামগী পুন্সি মহিংগী থাক ৱাংখৎহনদুনা পুন্না চাউখৎমীন্নবনি। ঙসি ঐখোয়না খরা ৱারিবা অসিনা তুংগী মীরোলশিংদা শাফহৌগদৌরিবনি হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চথুরি।

মনিপুর পুলিস কন্ত্রোল রুমগী চেরোল অমদা হায়-হৌখিবা পুং ২৪ দা থৌবাল জিলাগী সলাম পতোংদগী দিটোনেটর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অনি, পোম্পী বোম অমা, থারতিআইট এম.এমগী রবর বুল্লেট কারতিজ অমা অমসুং টিয়ার স্মোগ সেল অমা ফাগৎখি। হায়রিবা মতম অসিদা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৫৮ অমসুং নেসনেল হায়ৱে টু

ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ৩০৫ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা পুশিল্লকখি হায়রি।

**ইভিক্সন (এল)ঃ** হন্দক্তা নোং কন্না চুবদগী ঈচাও থোকখিবা অদুগী য়েংলগা তুরেল খোঙনুংশিং অমসুং খোংশিংদা লম খোপচিনদুনা শাগৎলিবা দুকানশিং য়াওনা মখল খুদিংমক্কী স্ত্রকচরশিং থা অসিগী ২১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি।

নেসনেল হায়ৱেশিং, ষ্টেট রোডস, ইন্টর ভিলেজ রোডস অমসুং দ্রেনশিংদা নকনা লৈবা খাসলেন্দশিং আইনা কায়না খোপচিল্লিবশিংসু হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা লৌথোকবা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

**জিরি (এল)ঃ** মোংবুং মীতৈ খুলদা হৌখিবা থা অসিগী ৯ গী অহিংদা নোংমৈ কাপশিনদুনা লান্দাখিবগী থৌওংবু জিরি অপুনবা লুপনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

লুপ অসিনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-থৌওং অদু চথরবা মতুংদা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা জাইরোলপোকপী পার্টি টুদা লৈবা ফার্ম হাউস অমসু মৈ থাদোক্লমখি। অসিগুম্বা ক্রিমিনেলশিংগী টেরোরিষ্টকী ওইবা থৌওংশিং অসি লেপহনদুনা মহৌশাগী ফিভমদা পুরকবা হোৎনবীয়ু হায়না মরি লৈনবা ওথোরিতিশিং অমদি সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙরাং চান্দেল অমসুং ককচিং জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ৱার্ল্ড পোপুলেসন ডেগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

চান্দেলদা পালন থৌরম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা হেলথ এন্দ এৱারনেস প্রোগ্রামশিংদা ন্যু সোমতাল, আইবোল জোপি, সেলোন অমসুং

ফৈসাজাংদগী লাকপা খুঞ্জা ১২৮ রোমনা শরুক য়াখি। ককচিং জিলাগী ওইনা পাঙথোকপা পালন থৌরম অদুদনা, মীশিং  হেনগৎলকপগী সমস্যা অমসুং মসিবু লাকশিন্নবগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, কামজোং জিলাগী কসোং ভিলেজতা মফম অদুগী খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা উ চারা থাবগী থৌরম অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

**ফুটবোল (এল)** ঃ ২০ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ৱিন্নর এস.দি.ও. পল্লেলনা ওইরে। ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এস.দি.ও. পল্লেল অমসুং এস.এফ.সি-শুগ্ পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখি। অদুমওইনমক, ফাইনেল পোইন্ট টেল্লিদা এস.দি.ও. পল্লেলনা পোইন্ট ১১ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি। এস.এফ.সি. শুগ্না পোইন্ট ১০ ফংদুনা রন্নরসঅপ তাহৌরে।

**নোংঃ** ইন্দিয়ান মেরিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি-হয়েং ফাওবগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমগী মফম খরদা নোং কন্না চুরবা য়াই। অমরোমদা, কোনকান অমসুং গৱা, মহারাস্ত্র অমসুং করনাতকনচিংবা মফমশিংদসু লাক্লিবা নুমিৎ হুমনিদা নোং কন্না চুরবা য়াই।

অন্দমান অমসুং নিকোবর আইলেন্দ, সব হিমালয়ান লমদমশিং, নোংচুপ বেঙ্গোল, সিক্কিম অমসুং বিহারদসু লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। উত্তরাখন্দ, ময়াই থংবা ভারত, হিমাচল প্রদেস, উত্তর প্রদেস, জম্মু কাশ্মির অমসুং লদাগনচিংবা মফমশিংদসু লাক্লিবা নুমিৎ মঙানিদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়রি।

**অগাবির ঃ** সি.আই.এস.এফকী দাইরেক্তর জেনরেল-নিনা সিংহনা হায়রি-গৃহ মন্ত্রালয়না লৌখৎলকপা অখন্নবা খোঙথাং অমদা এক্স-অগাবিরশিংবু সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্সশিংদা য়াওহন্নবা হোৎনরি।

পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মহাকা হায়-সি.আই.এস.এফকী ওইনসু খোঙথাং অসিগীদমক দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎপা হৌরে। অনৌবা থৌশিল অসিগী মখাদা অহাংবা ফমশিং মেনশিন্নবা হোৎনবদা এক্স-অগ াবিরশিংগী চাদা ১০ খাত্তুনা থমলে। রিক্রুইটমেন্টকী মতমদা এক্স-অগাবিরশিংবু ফিজিকেল ইফিসেন্সি টেষ্টতগী কোমথোকবসু হোৎনরি।

অমরোমদা, বি.এস.এফকী দাইরেক্তর জেনরেল-নিতি অগরৱালনা হায়-ফোর্স অসিগী ওইনসু নৌনা থবক লৌবদা এক্স-অগাবিরশিংগীদমক চাদা ১০ খাত্তুনা থমলে।

**এক্সরসাইজ ঃ** লৈবাক কয়াদা শরুক য়াদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা পিটচ ব্লেক্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান ইয়ার ফোর্সকী কন্টিজেন্ট অমা ওষ্ট্রেলিয়াগী রোয়ল ওষ্ট্রেলিয়ান ইয়ার ফোর্স বেজ দারৱিনদা থুংখ্রে।

মপুং ওইনা নুমিদাংগী মতমদা এরোপ্লেনশিং পায়দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এক্সরসাইজ অসি ঙসিদগী হৌরগা মথং থাগী অনি ফাওবা চথগনি। চহি ৪৩ শুরল্লবা এক্সরসাইজ অসিগী হন্দক্কী এদিসন অসিদা খ্বাইদগী চাউবা ওইনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ২০ দগী লাকপা ইয়ারক্রাফট ১৪০ হেনবনা শরুক য়াগনি। ভারতকী কন্টিজেন্ট অসিদা পাইলোট, ইঞ্জিনিয়ার, টেকি সিয়ান অমসুং এক্সপার্টশিং য়াওনা নোংথক্কী লানদা থোইদোক হেন্দোকা হৈথোই শিংথোইরবা পুন্না মীওই ১৫০ হেনবনা শরুক য়াগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুর ন্যুজতা-সি.এমনা বিনিফিসরি লাখ মরিগী মথক্তা লুপা ক্রোর ৩৩০ গী বিনিফিটশিং য়েন্থোকখ্রে, ইরাং অসিদা লৈখিদবশিংগী ইমুং মনুংদা সরকারগী থবক পীবগী ৱারেপ লৌরে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর মেলদা-চীফ মিনিস্তরনা অনৌবা স্কিম মরি হৌদোকখ্রে, বিনিফিট কয়া য়েন্থোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাখ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ক্রোর ৩০০ গী মথক্তা কায়থোক্তুনা বিনিফিসরিশিংদা য়েন্থোকখ্রে, মহৌশাগী ওইবা খুদোংথিবা থৌদোক্তা খুদক্তা তেংবাংগী পোৎলম ফংহনবা, পুৱারীদা লৈঙাকসিনা অহানবা ওইরগনি হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফমনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-স্কিম নিফু-তরুক্কী বিনিফিসরিশিংদা লুপা ক্রোর ৩০০ হেনবগী শেনফম য়েন্থোকখ্রে। মনিপুরগী টেরিটোরিয়েল ইন্টিগ্রীতি ফিভম অমত্তদা কায়রোই হায়না বিরেনগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্টতা লম খোপচিনদুনা শাজিনবা য়ুমশিং মশানা খঙনা শিদোকচনবা মতম থাখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা-ইম্ফালগী মফম কয়াদা মাস ইভিক্সন চখৎরগনি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। জষ্টিস-এন. কোটেশ্বোর সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইনবা রিকমেন্ট তৌরকপগী পাউনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সেন্টরগী ৱাখল্লোনদা মনিপুর ইঞ্চি অমা ফাওবা কায়বগী ৱাফম লৈতে, থাজবীয়ু হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফমনা সনা লৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলি। মীতৈগা ৱারী শান্নরুবা য়াওরবদি পুং নিফুনিপানগী মনুংদা চংজরক্কদবনি, মীতৈশিংগা ৱারী শান্নখিবা লৈতে হায়বা কুকি ইনপিগী ৱাফমসু ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেসকী ইংলিস এদিসনদা-কুকি ইনপি মনিপুরনা এন.আর.সিবু শৌগৎপা ফোংদোকখিবদা চীফ মিনিস্তরনা শিংথাখ্রে হায়বা পাউনা হেদলাইন তৌরি। লোয়ননা এল.পি.জি. টেঙ্কর ২০০ হেন্না পনদুনা লৈরে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-এন.আর.সিগী মতাংদা ৱারী শান্নবদা অকায়বা লৈতে হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পার্লিয়ামেন্টতা মনিপুরগী ৱাফম কন্না পুখৎকনি হায়বা রাহুগী ৱাফমনা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা-কুকি ইনপিনা এন.আর.সি. চৎনবদা য়ানিংবগী ইঙ্গিৎ পীরকপসি তরামা ওকই হায়বা চীফ মিনিস্তরগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-মনিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা পীখৎলকউ হায়বা প্রিলিমিনরি ষ্টেটস রিপোর্ট পীখৎলক্ত্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মোরনিং বেলদা-চীফ মিনিস্তরনা ক্রোর ৩০০ হেনবগী স্কিম কয়া হৌদোকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-খোঙথাং খুদিংমক পি.এম. মোদিগী মখাদা লৌখৎপনি হায়না চীফ মিনিস্তর এন. বিরেনগী ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসননা চীফ মিনিস্তর এন. বিরেনদা পিছ টোল্ককী মতাংদা খঙহল্লকবা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-চীফ মিনিস্তর এন. বিরেননা অনৌবা স্কিম ৪৬ হাংদোকখিবগী পাউ, অহানবা হেদলাইন তৌরি।